ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারী ১১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩১১শুবা মশীং

# মহৈরোয়শিং মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংখৎলকপা

## নীংবা কায়রবা মহৈরোয়গী মশীং হেনগৎলকপগী খূদম ওইফম থোকই

নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০১৮দা মহৈরোয় ১০,১৫৯ মশা মথনতা শিজখি হায়রি। কুমজা ২০১৭তা মহৈরোয় ৯,৯০৫ অমসুং কুমজা ২০১৬তনা মহৈরোয় ৯,৪৭৮ সুইসাইদ তৌদুনা শিখি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোক্লি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মহৈরোয়শিং মথন্তা শিজবগী চাং চহী খূদিংগী ৱাংখৎলক্লিবসিনদি মহৈরোয় খুন্নাইদা নীংবা কায়বা অমসুং পেন্দবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বগী খূদমনি। লৈবাক্কী অরুবা তানফম অমা লাকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা মাঙজিল থানা চোংথোক্তুনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকপা মরম্না ওইরক্লিবা ফীভম অসি তশেংনা নীংবা কায়নিংঙাইনি। মহৈরোয়শিং খক্তগী ৱা নৎতনা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীওইশিং সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। কুমজা ২০১৮দা মশা মথন্তা শিজখিবা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশীং ১,৩৪,৫১৬নি। কুমজা ২০১৭তা মীওই ১,২৯,৮৮৭; কুমজা ২০১৬তা মীওই ১,৩১,০০৮; কুমজা ২০১৫দা মীওই ১,৩৩,৬২৩ অমসুং কুমজা ২০১৪দনা মীওই ১,৩১,৬৬৬ সুইসাইদ তৌদুনা শিখিবনি। কুমজা ২০১৫দগী কুমজা ২০১৭ ফাওবদা চাং খরা হন্থরক্লবসু মতুং তারকপদা তপ্না-তপ্না চাং ৱাংখৎলকপা থেংনরি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৮দা পূন্না মীওই ১,৩৪,৫১৬ সুইসাইদ তৌখিবগী মনুংদা মীওই ১০,১৫৯ নৎত্রগা চাদা ৭.৬তি মহৈরোয় ঙাক্তনি। কুমজা ২০১৭কা চাংদম্নদুনা য়েংবদা কুমজা ২০১৮দা মহৈরোয় সুইসাইদ তৌবগী চাং চাদা ২.৬ হেনগৎলকখি। কুমজা ২০১৭তা মহৈরোয় ৯৯০৫ মথন্তা শিজখিবনি। কুমজা ২০১৬তা মহৈরোয় ৯,৪৭৮; কুমজা ২০১৫দা ৮,৯৩৪ অমসুং কুমজা ২০১৪দনা মহৈরোয় ৮,০৬৮ সুইসাইদ তৌদুনা শিখি হায়রি। মশা মথন্তা শিজখ্রবা মীওইশিংগী মহৈ-মশিনগী থাকসু নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোনা ফোঙদোরক্লি। রিপোর্ট অসিনা হায়, কুমজা ২০১৮দা পূন্না সুইসাইদ তৌখিবা মীওই ১,৩৪,৫১৬কী মনুংদা মীওই ৩১,৭৫৭ নৎত্রগা মীওই চাদা ২৩.৬ তি মেট্রিকুলেসন নৎত্রগা সেকেন্দরিগী থাক ফাওবা মহৈ তমখি। মীওই ২৬,২৫২ নৎত্রগা মীওই চাদা ১৯.৫ না ইবা পাবা ঙমদবা মীওই ঙাক্তনি। গ্রেজুয়েট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েট য়ৌনা মহৈ তম্লবা মীওই ৪,৪৩৭সু মশা মথন্তা শিজখি হায়রি। কুমজা ২০১৪দগী কুমজা ২০১৯ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহানবা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা মহৈরোয় লূপ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। ফী হেনগৎলকপা, ফেলোশিপ, য়ুনিভর্সিটিশিং প্রাইভেটাইজ তৌবা অমসুং হায়র এদ্যুকেসনদা শোথহৌরবা কাঙলূপকী মহৈরোয়শিং মীরায়বীরে হায়বনচিংবা ইস্যু কয়ানা মরম ওইরগা মহৈরোয় লূপশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

কুমজা ২০১৯গী মে থাদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ)না অনীরকশুবা টর্মগী লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতুংদা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লকপগী মওং অমা উবা ফংখি। বি জে পি লৈঙাক্লা মরম ওইরগা মীওই কয়া মশা মথন্তা শিহনবনি হায়না লৌবা য়াদ্রগসু সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবসিনদি নীংবা কায়বা মীগী মশীং হেনগৎলক্লে হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দ্রে। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৮দা নুমীৎ খূদিংগী থবক ফংদবা মীওই ৩৫ অমসুং মশানা-মশাবু থবক পীজবা মীওই ৩৬ সুইসাইদ তৌখি। হায়রিবা চহী অদুদা কাঙলূপ অনী অসিগী মীওই পূন্না ২৬,০৮৫ মশা মথন্তা শিজখিবনি। কুমজা ২০১৮দা থবক ফংদবা মীওই ১২,৯৩৬; মশানা মশাবু থবক পীজবা মীওই ১৩,১৪৯ অমসুং লৌউ-শিংউগী থবক তৌবা মীওই ১০,৩১৯ সুইসাইদ তৌখি। লৌউ-শিংউগী থবক তৌবা মীওই ১০,৩১৯ মথন্তা শিজখিবগী মনুংদা লৌমী ৫,৭৬৩ অমসুং এগ্রিকলচরেল লেবরর ৪,৫৮৬ য়াওরি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৌমী কয়া মহয়-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবদগী লোন শিংবা ঙমদদুনা সুইসাইদ তৌরে হায়না লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা তারবসু খরা কুপথনা য়েংলবদি সুইসাইদ তৌবগী চাং লৌমীদগী মহৈরোয়না হেল্লি হায়বা নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্টনা ময়েক শেংনা তাক্লে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না খা-নোংপোক এসিয়াদা সুইসাইদ তৌবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরে। ইন্দিয়াদা সেকেন্দ ৪০ খূদিংগী মীওই অমা সুইসাইদ তৌবগা লোয়ননা মীওই ১,০০,০০০ খূদিংগী মীওই ১৬.৫ মশা মথন্তা শিজরি। মীওই অমা ফাওবা সুইসাইদ তৌহন্দবগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক মশা-মউ ফনা লৈহন্নবগী থৌরাং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল্স (এস দি জি)দা য়াওবা তারবসু হীরম অসিগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংলিবসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতীক চাবা থৌরাংশিং লৌখৎফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২

১। ঐখোয়গী শেংলবা কংলা মনুংসি ইতিহাসকী মচাক ওইবা ফূড়াশিং, ঈরম খোংলম কয়া অমা লৈরিবনি। ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতমফাও কোনুং ওইরক্লবনি।

(ক) মসিদা লৈরিবা নূংজেং পুখ্রি অচৌবা শেংলবা মফমনি। মসিবু করি হায়নসু খঙনবগে?

(খ) নোংচুপ সনথোঙ অসি কংলাগী মরুওইবা থোঙ অমনি। করম্বা সনাহাক্তক্তা শারম্বনো?

২। "ননাই ঐগী কংলবা থম্মোয়দা ধর্ম্মগী ময়োন হুনবগুম তৌরে। রাম সীতাগী গুন তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিন্থবা মখৈদদি হৈরে।" পরেং অনীসি কবি চাউবগী 'লবঙ্গলতা' দগী লৌথোকপনি। ননাই হায়রিবসি কনানো?

৩। "নুপানা রাম ওইরগা লোয়নবীসু সীতা ওইবনি। নত্তদুনা নুপীখক্তং সীতা ওইয়ু হায়বদি খক ওইথোক্লরোই।" ৱাফমসিনা 'থোইনু' কৌবা ফম্বাক লীলা অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "লূপথৌ লুরবা ঈরোন্নুংদা/থম্মোয় থম্বাল লৈরিক্লুংদা/ফঙ্গনি মঙাল অচুম্বগী।" পরেং অহুম অসিনা এস ভানুমতিগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "উখ্রুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে/ইম্ফালদা লৈঙমদ্রে।" পরেং অনীসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৮৮৮৮গী ভিক্তিম MYO MYINT AUNG দা পীবা ফ্যেরৱেল

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৯৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

খল্লু-খল্লুরগা পুন্সি অসি য়াম্না নুংশিরকই। অদোম অদোমসু নুংশিরমগনি, নুংশিরক্কনি খঞ্জে। মতম অদু মপি লাইরিক্তগী হৌরগা ধারাবাটলা, ধারপাৎলা বনানদু কাউখ্রে, শুপ্লাক থিরকপদো - অনী অমা অনী, অনী অনী মরি, অনী অহুম তরুক...। ক্যামগৈ লৈহাও লৈবা লম অমনি, ফিশিংদু খ্যাও খ্যাও কংলে, হৌদোংনা ঙ্যাও ঙ্যাও খোংই, গ্বায়দা লিতান থোং শাই, হৈগ্রু চারগা ঈশিং থকপা হাওই, ওজা-গুরুশিংগা তর্ক তৌনগনু, ক্বাক্লা ক্বাক-ক্বাক খোংই, ঐনা মহেল্লে নীংবা মুর্খানি,... করি করিনো য়াম্না চিনফা পুরম্বা মপি লাইরিক্তু ঙসিদি কাউথোকখ্রে। মশ্বাইদনি পুন্সি অসি অসুম অসুম নুংশিরক্লিবা অসি।

হৌজিক্কী মতম ওইরকপা চহী মথং-মথং হাপচিল্লকপা অসিদা শুংকাউ কাউজদবা ৱাহৈ পরেং অমা হায়রগদি মপি লাইরিকতা তমজরকপা, "ঐনা মহেল্লে নীংবা মুর্খনি" মসিনি। মণিপুরদা অহৈ অপা শাবা মীওই অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। মৈ, ঈশিং চঙদবগী মওংনি। কূপ্না থিজিল্লবা মতুংদা য়াম্না অহৈ-অপা শাবা, অখঙ-অহৈ শাবদু খঙদি খঙলগা কৈসু য়াম্না হৈতবা, খঙদবা ওইরম্মী। মদুসু মৈতৈ মচানা হেল্লি। থাঙ-তা য়াম্না হৈবদু থাঙদা অদুম শিবনি, নোংমৈদা য়াম্না হৈবদু নোংমৈদা অদুম শিবনি, ইংলিস য়াম্না খঙবা শানা লোনবদুসু ইংলিসতা অদুম শোয়বনি, শিবগুম্বনি। মসিনা ওইরম্বা তাই খল্লি হায়বিরম্মী, "নো ৱান ইজ পর্ফেক্ট"।

অসুমহাইনা তৌদনা লাইরিক অসি হৈবোই হৈতবোই থিংবা ঙমদবমখৈ মথং মথং কাখৎলকখি। ক্লাস তেনগা তম্লকপা মতম অদু য়াম্না নুংঙাইখি। অঙকপা এক্সপরিয়েন্স কয়া অমা ফংখি। হায়স্কুল তম্লকপদা থেংনখিবা কয়া কাউবা ঙমদে। তেন তম্লকপদা এরিথমেটিক, অলজেব্রা, এন এনথোলোজি ওফ ইংলিস প্রোস এন্দ পোইত্রিজ, লুকিং এট চিলদ্রেন, দ লাষ্ট দেজ ওফ পোম্পিয়াই, গ্লোকসনা আইওন্দা নুংশিবা, মশক ফজবদা চীং লেম্বদা মুক্নবা জুলিয়ানা গ্লোকসতা ঙাওজবা, মমিৎ উদ্রবা লৈ - য়োঞ্জবা মৈদিয়ানা গ্লোকসপু পামজবা, নুংশি ৱারীদগী হৌরগা গ্রীক্কী, ইটালিয়ানশিংগী য়ূমলৈ কৈরৈ চাওখৎলম্বীগী ৱারী লীবা ভিল্লিয়ন আরবাসেস মীফত্তগী ৱারী তোৎশিন্নরগা ফ্লোকস হিরোবু মীওই লিশীং কয়া চোন্না তিনবা এম্ফিথিয়েটরদা চরাম্নরবা নোংশা অমনা কেজদগী থাদোরক্লগা চারুরো থাদোরকপদা নোংশা অদুনা চাবদি লায়রদনা কোয়না খল্লিবা এম্ফিথিয়েটর অদুদগী নাম্থোক্নবা, চেন্নবা হোৎনরকখিবা, অদুগা ভিসুভিয়স চীংদগী ভোলকেনো পোকখায়রকখিবা, মীওই কয়া অমা শিখিবা, কয়া অমনা হিংননবা চেন্নখিবা মদুবু তাকপীনবা ওজা লনধোনি অমদি ৱারীদুবু ফিল্ম ওইনা ঙসিসু মীৎমাংদা ফন-ফন চোংথোরকই। নেচরেল দিজাষ্টর, কেলামিটি থোক্কদৌরে হায়বসি মীওইবদগী শা-ঙা, উচেক, তীল-কাংনা হান্না খঙই হায়বসি লোর্দ লিটোননা ইরম্বা "দ লাষ্ট দেজ ওফ পোম্পিয়াই" না তাক্লি। নোংশা অদু ভোলকেনিক ইরপসন থোরক্ত্রিঙৈদা থোরক্কদৌরে হায়বসি মাগী নাতোন্দা মনম হান্না নমখ্রে, লাভা কামথোরক্কদবগী, মৈ, ঈশিং, য়োৎ মহি কেমিকেল কয়াগী মনম মালেমগী লৈনুংদগী ফোকস, ইপিসেন্টর মফম অদুদগী মৈগী চীং পোকখায়রকপা মালেমগী মচেৎ অমসু নীকখিবা। মদুদগী কাপথোরকপা লাভানা পোম্পিয়াই সহর মরোল মরোল ফমজিনখিবা! ওন্থোক্লা ফজনা ইখ্রে। ওন্থোক্লা ফজনা ফিল্মদসু পুথোকখ্রবা, অশেংবা থৌদোক্তা নুংশি ৱারীগা তোৎশিন্নদুনা চৎহল্লগা মালেমগী মীওইশিংনা খঙহৌরসনু হায়দুনা থম্লম্বা নোভেল মচা অমনি।

অসুম্না হাফপেন্ট শেৎন-শেৎনা উচিন নাচিন্না মেত্রিক পাস তৌজখি। লাইরিক য়াম্না ফবা নৎত্রগা য়াম্না ফত্তবা মহৈরোয়সু ওইজরকখিদে। ময়ায়দা লৈজবনি ময়ায়। খঙঙো হায়রবসু শুকখঙ খঙবা ঙমদবা, খঙনু হায়রগসু মঙোন্দগী ঐনা হেন্না হেক্তা হৈবসি ঐঙোন্দা থোক্কল্লি। লুরা বেরাগী মী কায়দুনি ঐহাকসি। অসুম্না হাফপেন্ট শেৎলম্বদগী লোংপেন্ট শেৎলগা কোলেজ কাজরকখি। দি এম কোলেজদা প্রিন্সিপাল অমসু থেংনরকখি, - আর পি সিংহ, হম্বর সাইকলদা তোংলগা লাকখিবা ওজা প্রিন্সিপাল সুক্লা (ময়াং ঙাক্তনি) অদুগা মোইরাংখোম লোক্লাওবুংদগী ওজা প্রিন্সিপাল ৱাই আই দেবী! ওজাগী নুপাসু মতমদুগী চীফ ইঞ্জিনিয়র ওইখি হায় । ওজানা শিনবিখি চূড়াচান্দপুরগী খুগা দামদা জিওগ্রাফিকেল ষ্টদি টুর অমা! শ্বাইসি য়ৌরকপদা খঙনীং নীংশিংলক্লে আইট আইট আইটি আইট। মতম অদু গ্রেজুএসন লোইশিল্লক্কদৌরবা মতমনি। থুক লাউবা পাউনি।

৮৮৮৮ অপরাইজিং! হৌজিক্লা ম্যান্মার কৌরবা বর্ম্মা, মোরে লান্থোক্লগা লৈবা ফোরেন কন্ত্রিদুদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থোকখি। হৌজিক্কী নহাশিংনা হিষ্টোরি পাদ্রবদি খঙলরোই। ইজরিবা ঐঙোন্দগী হেন্না খঙবা হৈবা ময়াম অমসু শোয়দনা লৈরমগনি। ম্যান্মারগী মহুত্তা বর্ম্মা হায়জরগে মদুনা চান্নরগনি। অকনবা ঈহৌনি, মীওই লিশীং লিশীং লম্বোইবা, অঙাংশিং, য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিং, য়ূমগী নুপী অঙাং, দোক্তর নৎত্রগা কম্মন পিপল মীয়ামগী ঈহৌ লাক্লে মিলিটরি রুল, দিক্টেটরসিপ পামদ্রে, দেমোক্রেসি লৈঙাক চৎহনগদবনি হায়না হৌরকখিবা ঈহৌদা ষ্টেট লো এন্দ ওর্দর কাউন্সিল (এস এল ও আর) গী মতুংইন্না মিলিটরি পর্সনেলশিংনা কূপ তৌদুনা প্রোটেষ্টর লিশীং লিশীং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা পাউনা মালেম শিনবা থুংখি। মদুদা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখিবা Aung San Suu Kyi সু আইকোন অমা ওইনা য়াওদুনা কুমজা ১৯৯০দা ভোট থাদনদুনা মহাক্কী পার্টি নেসনল লীগ দেমোক্রেসিনা চাদা ৮১গী চাংদা ফংলগসু লীদর ওইখিবা মহাকপু হাওস এরেষ্ট তৌদুনা মিলিটরি জনতানা থম্বীখি। হৌজিকপুদি অহোংবা খরা লাক্লে। দেমোক্রেসিগী মহাও ফংবা হৌখ্রে।



ললিট (ওই), ওজা Myo Myint Aung (ময়ায়)

হেন্না পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা ৮৮৮৮ অপরাইজিংদা রিফ্যুজি ওইনা চেল্লকখিবা ঐগদি মরক মরক্তা উনজবা বর্মিজ ওজা অমগী মতাংনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিজদা লেংগ্বেজ ইন্সত্রক্টর ওইনা থবক তৌরমখি। মমিংনা Myo Myint Aung কৌই। সাগাইঙ রিজন্দগী, মোনথৱা দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মোরেদগী কিলোমিটর ৩৫০ লাপ্পা মফমনি। য়াম্না শাই। ইম্ফালনা হেন্না লৈবদা নুংঙাই হায়বিরম্মী। সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ ফাওবা শাই অদুবু য়াম্না নুংঙাইবা, য়াম্না ফজবা লমনিদি হায়রম্মী। কুমজা ১৯৫৬তা পোকপনি। চহী ৩২শুবা মতমদা মহৈরোয়শিং ৮৮৮৮ অপরাইজিংগী ঈহৌ য়াওদুনা খোঙজং চংশিনবদা AYEYARWADDY তুরেলদা শাবা অশাংবা থোং থৎতুনা জুন্তা মিলিটরিশিং অতৎ-অখম লৈতনা কাপশিল্লকপা নোংমৈগী বুলেট নাম্থোক্তুনা মণিপুরদা থুংলখিবনি হায়রম্মী। মিজোরাম ফাওদুনা প্রোটেষ্টর ৩০০০ হেন্না চেল্লকখিবনি। দিল্লিদসু য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিসন ফোর রিফ্যুজিগী তেংবাঙনা লৈখিবা কয়া য়াওরি। হৌজিকসু ময়ূমদা হন্দ্রিবা। অমেরিকা, জপান, কোরিয়ানচিংবদা চেন্দুনা সেট্টল তৌখিবা মহাক্কী মমান্নবা কয়াসু লৈখ্রে। Myo Myint Aung নুপী থিদ্রি। থিররোই। মঙ্কনি হায়রম্মী। মচিন-মনাও ৬ পোকই। নুপা ৩, নুপী ৩নি। মহাক্কী মতম লোইশিল্লক্লে, চহী ৬৪ শুরে হায়বিরম্মী। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা বর্ম্মিজ লোন তম্বা লাকপা মহৈরোয় ৩০০ রোম পুথোকখ্রে হায়রম্মী। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগীসু লাকখি মরুওইনা রিজার্বেসন কোটাদা এস সী/এস টি/ও বি সীনা সার্টিফিকেট ফংহৌনবা লাকপা লোনদি ইতম তম্লিংদবা কয়াসু থেংনখি হায়রম্মী। মহাক য়ু থক্তে, ক্বা, চুরুট, খৈনিনচিংবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমত্তা শীজিন্নদে। য়াম্না ঈং তপ্পী। ঐগা হেক উনবদা মানা হায়রক্কনি নোক্লগা - জিতেন হাও আর য়ু! মণিপুরীসু ফজনা ঙাঙবা ঙম্মী। মহাক রিটয়ার্দমেন্ট মতম য়ৌরদুনা হনখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী গেট মমাঙগী কৈথেলদা পোৎ চৈ লৈবা হেক হেক থোক্লম্বদুসু উখিদ্রে। ঈং-তপ্পা, মবুক মপাউ ফবা, নোকমি-নোকমি তৌবা, ইন্দিয়াগী মহৈরোয় কয়া অমা বর্ম্মিজ লোন তম্বীরম্বা ওজা Myo Mint Aung নঙোন্দা ফ্যেরৱেল পীজরি। নুংঙাইনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ওইবিয়ু মিলিটরি জুন্তাগী লৈঙাক মুখৎখ্রবা লৈবাক্তুদা। ওজা নঙোন্দা য়াইফ পাউজেল পীজরি। ইজরিবা আর্টিকেল মতেক অসি নখূত্তা য়াম্না থুনা য়ৌহল্লক্নবা হোৎনজগে। নহাক্লা থেংনরকখিবা ষ্ট্রগল কয়াদি কাউবা ঙমদনা লৈহৌরগনি।? ●

# মীনাৎ লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা খোঙলৌবা - ১০

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইসি মতাৎ হৈবা হায়বদি ফীভম অমগী মওং য়েংলগা মীবু হরাওহন্নবা মমিং থোনবা হৈবা মরৌ লৈবা মীশকনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমশিংদি - খ: ১৭২৪গী ফাইরেন থাদা তখেলগা লান্থেংনবদা অহল্লূপ লাকপা হাওবমচা অকোং লানচিংলেন য়াওনা মায়চৌ শারুংবমচা কিয়াম্বা, মংশালম্বু মখোয় অহুম্বু তখেন লান্মীনা ফাখিবদু উবদগী থাংজমচা চেকশানা শগোলদু কোয়না কোয়না লৈদুনা কন্না থৌজিন্দুনা মৈতৈগী লানচিংলেন ফারিবা তখেন লান্মী অদুবু তানা থিন্দুনা মখোয় অহুম্বু তখেনগী মখূৎতগী মথৱায় কনবা ঙমখিবগীদমক থাংজমচা চেকশাবু শান্তিদাস গোসাইনা 'চক্রগী মতৌগুমই' হায়দুনা 'চেকশা চক্রপানি' হায়না মিংথোনখি।

ময়াং মচা গোসাইগী থৌইনশিন্দগী লৈবাক অসিগী শাগৈ সলাই ৭ মক্কী অহল-লমন লাই ওইখ্রবা হায়বদি মালেম লৈরোন চনখ্রবশিংগী মংবু অমুক তৌথোক্তুনা মংলেন মংথোং হাংলগা শৱাং লুৱাংথৌ (লাইবক্কী শরূ - অস্থি হায়না খঙনবসি) লৌথোক্লম্মী। মতৌদুদা চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবনা শৱাং লুৱাংথৌশিং লৌথোক্লগা পুদুনা নিংথি তুরেলদা পোৎলোইরবদি মৈতৈশিং অৱাগী মখা পোল্লগনি, য়েক্লবগী মীখা পোন্নবা থৌচৎহৈদে, মংলেন মং থোং হাংদুনা শরূ ফুকপদি নিংথেম নরান ফংগনি হায়না তৌদনবা হায়দুনা থিংজববু নিংথৌ পামহৈবা নূংদা ঈশিং চাইবগুম থোকখ্রে। অহোইনদুম খৃ: ১৭২৫গী ফাইরেন থাগী ২০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মৈতিংঙু পামহৈবা মশা য়াওনা, শাগৈ সলাই ৭কী পিবাশিংবু মা মাগী অহল-লমনশিংগী শৱাং লুৱাংথৌশিংবু চরৈ ফি অঙৌবনা য়াম্না কন্না কিশি কিশিন্দুনা ঙক্তা য়ানশিনহল্লগা নিংথি তুরেল তান্না পুহল্লম্মী। মফমদু য়ৌরগা পুরকপা শৱাং লুৱাংথৌমখৈবু মৈদা ইকনা পোৎলোইহল্লগা নিংথি তুরেলগী ঈশিংদা তিলহনখি। ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইনা হায়বদু তৌখিবগীদমক শুমহৎয়াই মিংথোল 'মহারাজ' হায়বসি নিংথৌ পামহৈবদা পীখি।

পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা মশাগী মরমদম্বু য়োন্থোকপা পাম্বা মীফত্তা খরা অদুগা তুংগীদা করি করম্বা অকায়বা ওইরক্কদগে খন্থবা ঙমখিদবা, ময়াং মচাগী লিচৎ পামজবা নিংথৌ পামহৈবনা ময়াং মচা শান্তিদাস মহন্তদা অয়াবা পীরুবদগী খুরক্কী ঈনা লাই শাবা খরনা মৈতৈ কংলাগী মতিক ময়াই অথুপ্পবু তাকশিনবদগী (তাকপীবা য়াওদনদি কূপ্না খঙবা ঙল্লোইদবসি) খঙলবা মতুংদা কংলাদা লৈরিবা লৈখুন (শুরুং) অসি মালেম লৈরোন ফাওবনা কংলা কোনুং অসি অচম্বা মফম নত্তে। অদুদগী লৈবাকসিগী মমিং 'মণিপুর' কৌরসি হায়বদা মৈতিংঙু পামহৈবনা অয়াবা পীবদগী কংলৈপাক্কী মমিং 'মণিপুর' হায়না ওন্থোক্লগা মমিং থোনখিবনি হায়বসি হৌজিক্তা খঙদবা তম্বা মীওই কনা ইরমদমসিদা লৈরমগদগে? মৈতৈ লৈমরেনবুনা 'মহারানি' হায়না ময়াং মরোলদা কৌবা হৌখিবনি। হায়রিবা অনীসিবু খঙদবা কনা নৎত্রগা মশীং কয়াম লৈরমগদগে। মসিদা খঙদে হায়রবদি মহাক্তো 'মিথিবোং মীতম্বাল' নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই।

মৈতিংঙু পামহৈবগী মধৌ মৈতিংঙু পাইখোম্বা (মৈতিংঙু পামহৈবগী মপা ইবুংঙো চরাইরোংবসি মৈতিংঙু পাইখোম্বগী মনাও ইবুংঙো তোনশেনঙম্বগী মচা ইবুংঙো ওইবনা) গী সনা হাক্তক্তা লৈবাক্কী মং খুদিং তৌথোকহনবদি কনাগুম্বা মী অমা শিরগা মশা ফুমদুনা পোৎলোইবা মতমদা হাপখিবা সনা, লুপা, কোরি, শেঞ্জেংগী পুখম অমদি অতৈ মমল য়াম্বা পোৎলমশিংদু লৌথোক্লবগীদমক্তনি। অতৈ মরমগী নত্তে। মৈতিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক্তা ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইনা ইনশিল্লগা মংথোং হাংহনখিবদি (তৌথোক্লগা) মৈতৈগী লাই ওইখ্রবা অহল লমনশিংগী শৱাং লুৱাং থৌ (শরূ মচেৎ অস্থি হায়নবসি) লৌথোকহল্লগা কংলৈপাকসি মীরমচাগী মীখা পোলহন্নবা থৌওং তৌখিবদুগুম্বা নত্তে। শোয়দনা মীরমচাগী মখা পোনগনি হায়বসি চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবনা ফৎতে হায়দুনা থিংবদা ৱাখল থেনবা মৈতিংঙু পামহৈবনা য়াদ্রগা ময়াং মচা শান্তিদাসনা হায়বদা ইনখিবনি। মদুগী অশেঙবা খুদম হায়ববু মণিপুর কৌরবা মতুংদা অৱাগী মখূৎতা মণিপুরনা চহী ৭ খুন্তাকপা হায়বদু ওইখিবসিনি। মরম অমনবু ওইরবসু মং থোং হাংলবদি লৈকায় অমদা/খুন অমদা মীশি মীনা তোয় হায়না হৌজিক ফাওবদা লৌনবনা য়াম্না লুনা অমদি কিনা লৌনরিবনি। নাকল অমরোমদা অমুক, লৈকায়/খুন অমদা মীশি মীনা তোয়রবদি অখঙবা অহৈবা অমবু লৈকায়/খুনগী মং থোং থিংবা হায়বা থৌরম অমা মফমদুগী মীয়াম হুপ্না পাঙথোক্লরিবনি। অসুক কিনা লুনা লৌনরিবা ৱাফমবু করিসু থৌওইদনা লৈবাক শিন্থুংনা মং থোং হাংবগী থৌওং চথরবদি মীশি মীনা য়াম্বা হায়বসিদি মশানা তারবনি। মীতোপ্না ইনশিনবদা লৌরগা মশাগী অপাম্বদু লৈবাক মীয়ামসু পূন্না তৌহনখিবগী তেকচাক্তি মরী লৈনবা নিংথৌশিংদা লেম্নখক তোকখিদে। মীশি চাদনা পুন্সি পীখম্নখিবমক্তনি।

মৈতিংঙু পামহৈবগী মপুকচেল লেপ্তবসি পোক্লক শাৎলকপদা চিংননিংঙাই ওইবা ফীভম ওইরকখিবগা লোয়ননা ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইগী ফত্ত-লৌশিংদা থুখিবনা ইরম লাইনীং মাঙহন-তাকহন্নবগী লেপ্পা লৈতনা তৌখিবা খোঙথাংশিংননি হায়বসি ঙসিগী ইরমদমগী লাইরিক হৈরবশিংনা করিগী খঙলোইদগে। লাইরিক হৈবগী কান্নবা করিনো হায়বা তারবদি - খুন্নাইগীদা মমাঙঙৈদা তৌখিবা অমদি হৌজিক হৌজিক তৌরিবা/থোকই/উরিবা অশোয়বা অরানবশিং মশক খঙদোক্লগা মসিনা লাল্লি, মসিনা চুমই হায়বা ঙম্বসিনি। চুম্মিদি খঙলগা - চুম্মীবদু থবক ওইনা পাঙথোক্নবা লিচৎতু চৎপা ঙমদ্রবদি থমাইশনবিরবা, লাইরিক হৈবগী মতিক ময়াই চেন্দ্রবা, লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদ্রবা, মীপাল তাংলগা মশা মশা নুংঙাইনবা হোৎনবা, মীতোপ্না মীতোপ মখোয় মশাগী মনাৎপু অতোপ্পদা য়োকখৎহন্নবা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পীবা মনা-মথুম/মিংথোলদা ঙাওজবা মীওইশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মখোয়শিংসি য়েলহৌঙৈগী খুন্নাইরোলদা, লাইনীংলোন্দা কন্না চিক্লিবা উতাংবী তীল মখল অমনি হায়বা য়াই। মরমদি মখোয় খরা অমদি ঙসিগী চয়েৎনরবা খুন্নাইসিদা মীপান তাংলগা শেল ফংনবগী পাম্বৈদগী হৌরগা মশক থোক্লা হিংবা ঙমই হায়না লৌরিবনি।

মতাংসিদা ঐখোয় সোরাম শাগৈগী হন্দক্তা লৈখিদ্রবা মিং ওইনা পঞ্জরবদা সোরাম ইবোচৌবা, জ্যোতিষ রত্ন, অইবা ইশাগী ইখুরা (পাবুং) সি চহী ৫০গী মথক্তা পাঞ্জিগী শিনফম তৌবগা লোয়ননা মনোহর সাই অমদি হোলি দল অমগী ঈশৈ হনবসু চহী য়াম্না শাংনা ওইবিরম্মী। অইবা ইশানা জ্যোতিষ অচার্য্য ওইবগা লোয়ননা ঈনাৎ থৌরমগী পিবা/শিলহৈলেম্বা ওইরবা মতমদসু পাঞ্জিগী শিনফম মান্নবনা করিগুম্বা মতমদা ৱারী শানবদা ঈনাৎকী ওইবা ৱাফম খরদসু অদুম খন্ন-নৈনবা য়াওখি। অইবনা পাউচেসিদা ঈনাৎ লাইনীংগী মরমদা ইবসু অদুম পাবগা লোয়ননা করিগুম্বা মতমদা অইবনা লৈখিদ্রবা পাবুংসিদা ঈনাৎকী লাইরিক (পুয়া) খরগী মরমদা ৱারী শাবদা পানীংই হায়বদগী পীবদা নুমিৎ মঙা-তরুকনি চংনা পারবা মতুংদা পাবুংনা অসুম্না হায়বিরমই - "ঈনাৎকী অসুক থাক ৱাংলবা লাইনিংলোনসি ঐখোয়না খঙদবদগী অসুক শাংবা মতমসি থিজিল্লুদবদগী খঙলুদ্রে। অদুবু ইশাগী চহীসি মরিফুতরাগী মথক ওইশিল্লক্লবনিনা, মীগী লাইনীং চৎলুবসি - কোর্ফু কায়থোক্লগা তুম্বা লেপশিনবা হায়বা থৌদৌদু চপ চানা ঐঙোন্দা থোক্লে। অদুবু ঈনাৎ লাইনীংগী মরমদা খঙদনা লাকপসি তুংগী লম্বী লমশাং হায়বদু ওইরক্লগা শেন্দাল লম্বী ওইনা অমদি ইবোচৌবা পাঞ্জি হায়দুনা লৈবাক খুন্নাইসিগী মীওই কয়ানা শক খঙবিদুনা লাকখিবসি লাইবক থীবনি। অদুনা ঐনা লৈখিদ্রবা মতুং ইচা ইশুশিংদা ঐনা খঙদনা চৎলুবা অকক্নবা লাইনীংসি নত্তনা অতৈ লাইনীং চৎপা য়ারোই হায়না কনাদসু হায়রম্লোই হায়বগা লোয়ননা মখোয়না অপাম্বা লাইনীং চৎপদা ইপাগী (পাবুংগী) চিনসিনা য়াদে হায়রম্নরোই - ঈনাৎ লাইনীং চৎপদি চুমই, খঙহৌদবগী ৱানি" হায়না পাবুংনা ঈনাৎ লাইনীংগা মরী লৈনবা লাইরিক খরা পারবা মতুংদা অইবা ইশাদা লাইরিক্তু পীরকপা নুমিৎতা ইপা-ইচা ফনা কুইনা ৱারী শানখি। মখা তানা ফোঙদোকপীরম্বদা 'মীগী মপা-মমাদা ঐখোয়গী ইপা-ইমা ওইবা খক য়ারোই, তম্লুরগা খঙবা মীগী মরোলনা, ময়েক্না ঐখোয়গী ইরোল, ইরোল ময়েক খক ওইবা য়ারোই। খুদম ওইনা, মীগী মরোলদা ইবা পাঞ্জিগী লাইরিক তম্লুরগা হৈবদগী পাঞ্জি ওইনা চহী কয়া অমা শেল তাল্লকইবসিনি; মীগী মরোলদা ওজা কয়া অমনা নট সঙ্কিত্তনগী ঈশৈ শক্তুনা; জগোয় শাবা তম্বীবগী ওজা ওইদুনা শেল তাল্লিবসিনি। নপুবোক সোরাম অঙাংহল, দুহার হায়দুনা মমিং অদুম চৎখিবদুনি। হায়রিবা মতমদুদদি হিন্দু লাইনীংগী ঈহৌ য়াম্না কল্লিবা মতমদুদনি। হৌজিক্তদি নপুবোক হোয়গী মতমদা থৱায় য়াওনা সেবক ওইনীংবা কয়া লাক্নরম্বদো তমগে হায়বা থৱায় য়াওবা নহারোল কয়া লৈত্রে। মসি মতমনা পুরকপা অওনবনি" হায়নসু হায়বীরমখি।

ৱারী মতেকসিদগী খঙবা ঙম্বদি হৌজিক্কী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা য়াম্না কন্না ফাওরক্লিবা ৱাফম অমদি - মণিপুরগী ৱাংমদা চৎপদা নখোয়গী/নঙগী লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) করিনো, নখোয়গী লোলগী ময়েক কমদৌই হায়না হংলকপদা, মীতোপ মচাশিংনা ঐখোয়বু উশিৎলোইদবা/উশিৎতবা থৌওং কয়াসিদগী কনগে/ঙাকথোক্কে হায়রবদি ঐখোয় ইশাগী লাইনীং লাইশোন 'সনামহী' অমদি ইয়েক মশক খঙবা য়াম্না মথৌ তারকই হায়বসিনি। মসিনা নেসনেলিজমগী ৱাফম/ৱাখল শাগৎপদা অরায়বা মরম করিসু ওইনীংঙাই লৈতে। মণিপুর কৌরমদবা ইরমদমবু ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাই লাক্লবা মতুংদা ৱাখল থেনখিবা মৈতিংঙু পামহৈবা (কোন্না গরিবনিৱাজ- মিংথোল ময়াং মচাসিনা পীখিবা) য়ারুবদগী মণিপুর ওনখিঙৈদগী লমদমসিদা লৈবা মান্নবা মান্নদবা ফুরুপচাশিংবু 'মণিপুরী' হেক্তা হায়জিনবদা অকায়বা লৈতে হায়না লৌনরিবনিনা। মতম অসিদা মৈতিংঙু পামহৈবগুম্বা অমদি মশাগী ওইবা হিন্দু লাইনীং চাওখৎহন্নীংবা ময়াং মচা শান্তিদাস গোসাইগুম্বগী চিরোল অমদি চেন চোংদুনা মীনাৎ লাইনীং কঞ্জনীংবা খরা নত্তনা, মীরমগী লাইনীং লাইশোন মীপান তাংলগা হিংগনি খঞ্জবা মীশিং হান্নদগী য়াম্না হন্থরক্লবসু অপূনবা মীশিংদদি করিসু অহোংবা লৈতবনা, লমদমসিগী অপূনবগী শক্তমদদি কায়নীংঙাই করিসু ওইদে হায়বদা চিংননীংঙাই লৈতে। মরমদি মণিপুর কৌরবা লমদমসি থাদোক্লগা মীরম লাইনীং পামজবা কয়া অমসু, মীরমচাশিংগী হিন্দু লাইনীংগী মফমশিংদা শেল চাউনা তিংলগা লমকোয়বা চৎলুরগা অমুক লমদমসিদা হল্লকপা নত্তনা কনামত্তনা মীরমদা লাইনীংনা মরম ওইরগা কৈদৌঙৈদা লৈনীংলোই হায়না থমজগে। অদুনা করিনো হায়বা অমতংদি খন্থবা মতম ওইরে হায়বসিনি। ●